সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক বর্মা ছুটি পীখ্রে, নাগেশ্বর রাওনা ইন্টেরিম দিরেক্টর ওইরে

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সি):

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) গী মকোক থোংবা ওফিসল অনীগী মরক্তা চাউনা মুক্নরকখিবগা লোয়ননা দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ ট্রেনিংনা জোইন্ট দিরেক্টর এম নাগেশ্বর রাওবু ইন্টরিম দিরেক্টর ওইনা থৌ পুনবা য়াথং চে অমা থোকখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক বর্মা অমদি মহাক্কী হেক মথংদা লৈবা খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা ওফিসর রাকেস অস্থনাবু ছুটিদা লৈনবা খঙহনখ্রে। সী বি আইগী ইন্টরিম দিরেক্টরনা পীখিবা য়াথং মতুংইন্না বর্মা অমদি অস্থনাগী ওফিসতা থি-হুন্বগী থবক চথখি হায়না মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা সী বি আইগী ওফিসল অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

ওক্টোবর ২০ দা থোকখিবা কেবিনেট এপোইন্টমেন্টস কম্মিটিগী য়াথং চে অমনা হায়খি, নাগেশ্বর রাওনা মতম খরা সী বি আইগী দিরেক্টর ওইনা থৌ পুরগনি। থৌওং অদু লোগী মায়োক্তা লৈবা মরম্না খুদক্তা খোঙফম হন্দোক্কদবনি হায়না এদভোকেট প্রসান্ত ভুষননা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

কেবিনেট কম্মিটি ওন এপোইন্টমেন্টনা থোরকখিবা য়াথং অদু সুপ্রীম কোর্টতা শিংনরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। চহী অমা মখায় হেন্না সী বি আইগী দিরেক্টর অমসুং জোইন্ট দিরেক্টরগী মরক্তা অঙম তান্নবগী থৌওং চথদুনা লাকখ্রবনি। মকোক থোংবা ওফিসল অনী মুক্নবগী শরুক অমা ওইনা অস্থনাগী মথক্তা সী বি আইনা শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈননা এফ আই আর অমা লৌখৎখি। দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস দেবেন্দ্র কুমারবুসু শেঞ্জা-থুমজাদা চেন্নৈ হায়না মরাল শিবগা লোয়ননা ফাজিল্লগা সী বি আইগী কষ্টদিদা থল্লি।

রিপোর্ট অমনা হায়, হৌখিবা নুমীদাং পুং ৯.৩০ দা দিরেক্টর অলোক বর্মানা য়াথং অমা থোক্তুনা অস্থনাদা মখল অমত্তগী থবক থৌরমশিং শিন্নদনবা ফিরেপ লৌখি। থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা বর্মাবু ছুটিদা লৈহনখিবগা লোয়ননা নাগেশ্বর রাওবু মতম খরা দিরেক্টরগী থৌ পুনবা খঙহনখি।

দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ ট্রেনিংগী ওফিসল অমনা হায়খি, চীফ ভিজিলেন্স কম্মিস্নারনা পীরকপা রেক্কমেন্দেসন মতুংইন্না অলোক বর্মাবু ছুটিদা লৈহনখিবনি। থৌওং অসিগী মায়োক্তা বর্মানা এদভোকেট গোপাল শঙ্কর নরায়নগী মতেং লৌরগা সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎনবা ফিরেপ লৌখ্রে। খ্বাইদগী মকোক থোংবা ওফিসল অনীগী মরক্তা অঙম তান্নরকপনা মরম ওইরগা সী বি আই মনুংদা ফম মুন্নবগী থৌওং অমা চথরকপনি হায়না ওফিসল সোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

সী বি আইনা এজেন্সী অসিমক্কী স্পেসল দিরেক্টরগী মথক্তা এফ আই আর ফাইল তৌখিবনা মরম ওইরগা ৱাথোক হেন্না চাউথোরকখিবনি।

সী বি আইনা এজেন্সী অসিগী অনীশুবা খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা ওফিসর রাকেস অস্থনাবু শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈননা বুক তৌখ্রবা মতুংদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হায়রিবা মীওই অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা খ্বাইদগী নক্নবা মীশকনি হায়না মরাল শিখ্রবনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা সী বি আইবু পোলিটিকেলগী লমন খুন্নবা থৌরাং লৌখৎপদা খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরে। বুক তৌখ্রবা অস্থনা গোধ্রাগী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিমগা মরী লৈনৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অস্থনা নত্তবা সী বি আইদা প্রাইম মিনিষ্টরগা নক্নবা ওফিসল কয়ামরুম লৈরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাক্কী ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী অমবু প্রাইম মিনিষ্টরনা পোলিটিকেলগী ওইবা লমন খুন্নবগী থৌওং চথবদা খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরক্লিবসি পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি। লৈবাক অসিগী মাঙজিল থাবা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সি অমা ওইরিবা সী বি আইনা এজেন্সি অসিমক্কী স্পেসল দিরেক্টর রাকেস অস্থনাবু শেনজা-থুমজাগী ৱাথোক অমগা মরী লৈননা বুক তৌখ্রবনি।

কুমজা ১৯৮৪ বেটচকী আই পি এস ওফিসর অস্থনানা লুপা ক্রোর ২ অরানবা মওংদা লৌখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা শেনজা-থুমজাগী কেস কয়াদা চেনরম্বা থেংনখি। সী বি আইনা হীরম অসিগী মতাংদা ওফিসল ওইবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদবা তারবসু তোঙান-তোঙানবা ছোর্সনা সী বি আইগী অনীশুবা খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা ওফিসর বুক তৌরে হায়বা ৱাফম অসি অচুম্বনি হায়না এজেন্সি অসিনা ফোঙদোরকখি। মনোজ কুমার কৌবা শেনজা-থুমজাগা মরী লৈননা ফারবা মীওই অমনা রাকেস অস্থনাদা লুপা ক্রোর ২ পীখি হায়না মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা ষ্টেটমেন্ট পীখ্রবা মতুংদা সী বি আইগী অনীশুবা খ্বাইদগী সিনিয়র ওইবা ওফিসর অদু বুক তৌখিবনি।

মমাঙদা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী লুচিংবা লালু প্রসাদ য়াদবকী ইমুং চেন্নবা শেঞ্জা-থুমজাগী কেস অমা থিগৎপদা সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক বর্মানা খুৎ থিংজিল্লক্লে হায়না অস্থনানা ৱাকৎপা লৈখ্রবনি।

শ্রীনগরদা খুৎ থোক্লবদা মিলিটেন্ট ২ শিরে

শ্রীনগর, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সি):

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী শ্রীনগরদা আর্মিনা লুচিংবা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা য়ুম অমদা লোৎতুনা লৈরম্বা মিলিটেন্টশিংগা নোংমৈ কাপ্নবদা মিলিটেন্ট অনী শিরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্ট খরা লোৎতুনা লৈরে হায়বগী থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংলবা মতুংদা আর্মিনা সোতু কোথিয়র এরিয়াদা য়ুম-য়ুম চঙদুনা থি-হুন্বগী থবক চথখি। য়ুম অমদা লোৎতুনা লৈরম্বা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখিবনি।

পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি, থৌদোক থোকফমদা লৈরিবা মিলিটেন্টশিং তকথোকপা লোইদ্রিবফাওবা মফম অদুদা মীচম অমত্তা চঙহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলে। খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মিলিটেন্ট খরা লোৎতুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংঙাল্লমদাই পুং ২ দগী মফম অদু কোয়শিন্দুনা থমখি। নাকল অনী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখিবনা মরম ওইরগা শ্রীনগর দিষ্ট্রিক্টতা কোলেজ অমদি হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিং য়াওনা মহৈ তম্ফম লোয়শঙ পুম্নমক ছুটি থাদোকখ্রে। মতম খরগী ওইনা ইন্টর্নেট সার্ভিসসু থিংজিনখি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতসু জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কুলগাম দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মিলিটেন্ট অহুম নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবনি। থৌদোক থোকফমদা বোম পোকখায়রকখিবদা মীচম মঙাসু শিখি। মীচম শিখিবগী থৌওং অদুনা কাশ্মিরদ মীয়াম্বু খোয়শাউনবা পোকহনখিবগা লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখি। কাশ্মিরদা খুৎ থোক্লখ্রবা মতুংদা বোম পোকখায়রকপদগী মী খ্বাইদগী য়াম্না শিবা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। নোংমাইজিং নুমীৎ অয়ুক অঙনবদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা কুলগামগী লারু খুঙ্গংদা লৈবা য়ুম অমা কোয়শিন্দুনা থি-হুম্বগী থবক চথরিঙৈদা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপথোরকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনসু খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা মিলিটেন্ট অহুম শিখিবনি।

পুলিসকী স্পোক্সপার্সন অমনা হায়খি, থৌদোক থোকফমদা মীচম অমত্তা চঙদনবা মাঙজৌননা খঙহনখি। অদুবু ৱাফম অদু থৌশাবা তৌদনা মীওই মঙা থৌদোক থোকফমদা চঙলুবদগী খঙহৌদনা বোম পোকখায়রকপদা মখোয় মঙামক শিখিবনি। খাথংবা কাশ্মিরগী কুলগাম দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা থৌদোক্তা অশোক অপন নংলবা মীচম অমগসু শিখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা শিখিবা মীওই পুন্না তরেৎ শুখ্রবনি। নোংমাইজিং নুমীৎকী অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নখিবগী থৌদোক্তা মিলিটেন্ট অহুমসু শিখ্রবনি। মফম অদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না নাকল অনী নোংমৈ কাপ্নরবা মতুংদা থৌদোক থোকফমদা বোম পোকখায়খিবদা মীওই কয়ামরুম অশোক অপন নংখি হায়না কুলগামগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার ডা. সামিম অহমদ ৱানিনা ফোঙদোকখি।

মীচম শিখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা জোইন্ট রেজিষ্টেন্স লিদরশিপনা কাশ্মির তম্পাক্কী মফম পুম্নমক্তা টোটেল সটদাউনগী খোঙজং চঙশিনখ্রবা মতুংদা সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা মফম অদুদা অথিংবা থমখি। কুলগাম দিষ্ট্রিক্টতা মীচম তরেৎ শিখিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি। মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মরাল লৈজদবা মীচম হাৎপগী থৌওং অমা লেপ্তুনা চথরক্লিবসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী ৱারেপ অমসুং কাশ্মিরি মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না কাশ্মির তম্পাক্তা থোক্লিবা ৱাথোক লোইশিনহন্নবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মরী লৈনবশিংগা ৱারী শানগদবনি।

পনবা য়াবদি, নোংমাইজিং নুমীৎতা কুলগাম দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা বোম পোকখায়খিবদা মীচম তরেৎ শিখিবনি। মদুগী মমাঙদা নাকল অনী খুৎ থোক্লবদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মিলিটেন্ট অহুম নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। হেল্থ ওফিসলশিংগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি নোংমৈ কাপ্নবা অমসুং বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৩০ হেন্না অশোক অপন নংখি হায়রি।

জয়াললিতাগী মতাংদা থিজিল্লিবা জষ্টিস অরুমুগাস্বামি কম্মিটিগী মতম শাংদোকখ্রে

চেন্নাই, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সি):

তামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বী জে জয়াললিতা শিখিবগী মতাংদা থিজিল্লিবা জষ্টিস অরুমুগাস্বামি কম্মিসনগী মতম শাংদোকহনখ্রে। এ আই এ দি এম কেনা লুচিংবা তামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা কম্মিসনগী মতম থামরি শাংদোকহনখি।

ষ্টেট লৈঙাক্লা কম্মিসনগী মতম শাংদোকহনবা হন্দক্লা অহানবা নত্তে। কুমজা ২০১৭ কী দিসেম্বর অমদি চহী অদুমক্কী জুন থাদসু কম্মিসনগী মতম শাংদোকহনবা লৈখ্রবনি। কুমজা ২০১৭ কী সেপ্টেম্বরদা তামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা কম্মিসন্স ওফ ইনক্কারি এক্ট ১৯৫২ গী মখাদা জয়াললিতা লৈখিদবগী চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা কম্মিটি অসি শেমখি। কম্মিটি অসিনা কুমজা ২০১৬ কী সেপ্টেম্বর ২২ দা জয়াললিতাবু হোস্পিটালদা পুখৎখিবা মতম অদুদগী হৌরগা কুমজা ২০১৬ কী দিসেম্বর ৫ দা লৈখিদবা মতম অদু ফাওবগী মতাংদা থোকখিবা থৌদোক পুন্নমক থিজিনগদবনি।

কম্মিসন্না হিরম অসিগী মতাংদা অকুপ্পা পাউ খঙবা মীওই খুদিংমক কৌদুনা ষ্টেটমেন্ট লৌখি। হৌজিক হৌজিক দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা ও পনিরসেলবম য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা জয়াললিতা শিখিবগী মতাংদা চিংননিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা ইনক্কারি কম্মিসন শেমদুনা চপ চাবা ৱাফম খঙদোক্লবা হোৎনদুনা লাকখি। চীফ মিনিষ্টর কে পালিনিস্বামি অমসুং ও পনিরসেলবমগী মরক্তা চাউনা মুক্নবা থোকখ্রবা মতুংদা নাকল অনী য়াশিন্নবা পুরক্তুনা লৈঙাক পায়মিন্নখি। ইনক্কারি কম্মিসন অমা শেমদুনা জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা অচুম্বা ৱাফম খঙদোক্লবা হোৎনগদবনি হায়না য়ানবা পুরকখ্রবা মতুংদা পলানিস্বামি অমসুং পনিরসেলবমনা লৈঙাক পায়মিন্নবদা য়ানখি।

দি এম কেগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম কে ষ্টেলিন্নসু জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) দা মপুং ফানা থিগৎহনগদবনি হায়না তকশিনখি। হৌখিবা ওগষ্ট ফাওবদা কম্মিসন্না ৱিটনেস ৭৫ গী ষ্টেটমেন্ট লৌদুনা জয়াললিতা লৈখিদবগী চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা হোৎনখি।

ওক্টোবর ৬ তা চেন্নাইগী এপোল্লো হোস্পিটালনা জয়াললিতা শিখিবগা মরী লৈননা লমায় মঙা পানবা এফিদেবিট অমা অরুমুঘস্বামী কম্মিসন ওফ ইনক্কারিদা পীশিনখ্রবনি। এফিদেবিট অদুগী মতুংইন্না হোস্পিটালদা জয়াললিতাবু কা মনুংদগী হেক পুথোকপগা মপান্দা খিনবা সী সী টি ভি কেমেরাশিং মুখৎলি হায়রি। ইনক্কারি কম্মিসন্দা পীশিনখিবা এফিদেবিটতা এপোলো হোস্পিটালগী ডোক্তরশিংনা হায়খি, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর জয়াললিতাগী হকচাংগী ফীভম মীয়ামদা চপ চানা খঙহন্দনবগী পান্দমদা মহাকপু হোস্পিটালগী কাদগী হেক পুথোকপা খুদিংগী সী সী টি ভি কেমেরা মুখৎনবা হায়জরকপা লৈখি।

ইন্সপেক্টর জেনরেল (ইন্টল্লিজেন্স) কে এন সাথিয়া মুর্ত্তি য়াওনা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসর মরিনা হায়জরকপগী মতুংইন্না থৌরাং অদু লৌখৎখিবনি। কুমজা ২০১৬ লোইরমদাইদা জয়াললিতাবু এপোলো হোস্পিটালদা মতম খরা লায়েংলম্লগা লৈখিদবগী মতাংদা হোস্পিটালগী সী সী টি ভি কেমেরা মুখৎখিবগীদমক মতমদুদা মীয়াম্না চিংনবা পোক্লখি। কুমজা ২০১৬ তা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা জয়াললিতাবু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা নুমীৎ ৭৫ নি লায়েংলবা মতুংদা দিসেম্বর ৫ দা অরোইবা য়াহিপ তানখি। কুমজা ২০১৭ কী সেপ্টেম্বরদা ষ্টেট লৈঙাক্লা কম্মিসন ওফ ইনক্কারি এক্টকী মখাদা জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎনবা থৌরাং লৌখৎখি। কম্মিসন্না জয়াললিতাদা চথখিবা লায়েং অমসুং মহাক্না লৈখিদবগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎতুনা লাকখিবনি।

দিফেমেসন কেসতা দি এম কেগী চীফ ষ্টেলিন কোর্টকাখ্রে

চেন্নাই, ওক্তোবর ২৪ : দি এম কেগী প্রসিদেন্ট অমসুং টামিল নাদু লেজিসলেটিব এসেম্ব্লীদা ওপোজিসন লিদর ওইরিবা এ কে ষ্টেলিন এ আই এ দি এম কে লৈঙাক্লা মহাক্কী মথক্তা থাঙ্গৎলকখিবা দিফেমেসনগী কেসশিংগা মরী লৈননা ঙসি স্পেসল কোর্টতা কাখ্রে।

টামিল পাউচে অমদা ষ্টেলিননা ফোঙদোকখিবা ৱারোল য়াওবা পাউ অমা ফোঙলকখিবা মতুং ফেব্রুৱারি ২০১২ দা মতমদুগী সিটি পব্লিক প্রোসিক্যুটরনা দি এম কেগী লুচিংবা অসিগা লোয়ননা অতৈগী মায়োক্তা দিফেমেসন কেস অমা ফাইল তৌখি। কেস অদু ক্রিমিনেল প্রসিজর কোদকী সেক্সন ১৯৯(২) অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সনশিং ৮৯৯, ৫০০ অমসুং ৫০১ গী মখাদা রেজিষ্টর তৌখিবনি।

CENTRAL AGRICULTURAL UNIVERSITY
COLLEGE OF AGRICULTURE

DEPARTMENT OF SOIL SCIENCE & AGRICULTURAL CHEMISTRY
IROISEMBA, IMPHAL - 795 004 MANIPUR (INDIA)

WALK-IN-INTERVIEW

NO. CAU/ COA/SSAC/AICRP(MSPE)/2015- A walk-in-interview for the post of **Senior Research Fellow under AICRP on micronutrients, CAU, Imphal Centre**will be held at CAU, Lamphelpat, Imphal. Eligible and desirous candidates fulfilling the required qualification may be present before the selection committee on 27/10/2018 at 1.00 p.m. for personal interview. The candidates are to report at 10.00 AM for completion of other formalities.

Details of the Post:

Sl. No.	Name of the post	Emoluments	Essential qualification	Desirable qualification	No. of post
1.	SRF	25,000/- plus 10 % HRA –pm (or admissible as per rules)	Master's degree in Soil Science and Bachelor's degree in agriculture	• Ph.D. in Soil Science and Agricultural Chemistry • Two years of experience in analysis of secondary and micronutrient analysis from soils of Manipur. • Knowledge of instruments handling and Processing data on computer	01

Terms and conditions:

1. Age limit for Senior Research Fellow is 35 years for Men and 40 years for women (relaxation of age in case of SC/ST/OBC/PH candidates as per Government norms).
2. The above positions are purely on temporary basis and co-terminus with the project.
3. No TA/DA will be paid for attending interview.
4. The selected candidate will have no right what so ever for absorption/regularization in the university.
5. The engagement on these positions will be initially for a period of six months/one year. The six monthly/yearly extension will be given subject to the satisfactory performance of the candidates.
6. The applicants must bring with them original documents for verification along with four sets of the complete bio-data with two self-attested photograph and self-attested enclosures such as mark sheets, proof of date of birth, certificates for qualification and experience for submission in office at the time of interview.
7. In case of serving candidate NO OBJECTION CERTIFICATE from his/her employer and experience certificate in original should be produced, wherever applicable.
8. Canvassing in any form will lead to cancellation of candidature.
9. The selection committee reserves the right to fix criteria for short listing the candidates after due screening of applications/test.
10. The other terms and conditions prescribed by AICRP will be applied.

Sd/- **Indira Sarangthem,**
Principal Investigator
Professor & Head
Dept. of Soil Science & Agril. Chemistry
College of Agriculture, CAU

HL-P/5571/25

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

NOTICE
Dated, the 23rd October, 2018

No.MU/3-392/18/FCY: In partial modification of the earlier Advertisement No. MU/FES/GL-Recruit/6-16 dated 2nd July, 2016, it is hereby notified that 4(four) Guest Lecturers on contract basis will be appointed in the Department of Law through **walk-in interview**.

Further, the candidates who have already applied for the said post under the said advertisement shall be allowed to appear in the said Walk-in interview.

Essential Qualifications: As per UGC Guidelines.

Honorarium: Rs. 500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 21,600/- (Twenty-one thousand six hundred) only per month.

Date of Interview: - 29/10/2018 at 11 AM.

Place of Interview: - Office of the Dean, School of Social Sciences, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Dean, School of Social Sciences, Manipur University, Canchipur – 795003 between 10 a.m. and 11 a.m. on the same day.

Sd/-
David K. Zote
Registrar i/c

HL-B/4942/24&25



SVP: 011-23386626/27/28
Email: secretary@sahitya-akademi.gov.in
Website: www.sahitya-akademi.gov.in

Sahitya Akademi's Book Exhibition and Sale
26-28 October 2018 from 10.00 a.m. to 6.00 p.m.

davp 09104/13/0052/1819

OFFICE OF THE
INDEPENDENT TWO MEMBER ENQUIRY COMMITTEE

GENERAL NOTICE
Imphal, the 22nd October, 2018

No. 02/ITMEC/2018: 27 Notice is hereby given for information to all concerned and the general public that the sitting of the Independent Two Member Enquiry Committee shall resume examining the witnesses from the side of the University Community i.e. MUTA, MUSA and MUSU at 3:00 p.m. of 29th October, 2018 (Monday) at Regency Hall, Classic Hotel, Imphal (4th Floor). The examination shall continue onwards.

True copy of the order passed on 20.10.2018 by the Independent Two Member Enquiry Committee is enclosed herewith for general information.

Enclosed : **As stated above**.

Sd/-
L. Birendrakumar Sharma
Secretary-cum-Assessor

PROCEEDINGS OF THE INDEPENDENT TWO MEMBER ENQUIRY COMMITTEE

20.10.2018

In the earlier order of this Committee dated 26.09.2018, we had clearly indicated that in spite of proper notice to Prof. A.P. Pandey for his personal appearance before this Committee, he did not appear before this Committee. Under para no. 6 of the order of the Ministry of Human Resource Development (MHRD) dated 17.08.2018, Prof A.P. Pandey has to appear before the Committee as and when necessary.

The Committee is of the clear cut view that appearance of Prof. A.P. Pandey before this Committee is required in compliance of natural justice inasmuch as examination of witness supporting the allegations against him will be recorded in his presence, so that he may avail of the opportunity to cross-examine the witnesses.

Non-cooperation of Prof. A.P. Pandey in the proceeding of the Committee is one of the grounds for the delay in completing the enquiry proceedings. For the ends of justice and also for fair procedure, MHRD is directed to enforce its own order dated 17.08.2018 by compelling the appearance of Prof. A.P. Pandey before this Committee in person on the next date of sitting i.e. on 29th October, 2018.

It is also made clear that MHRD may take all the possible forceful steps to enforce the appearance of Prof. A.P. Pandey before this Committee in compliance of the order of the MHRD dated 17.08.2018. The Nodal Officer and Secretary of this Committee are also directed to take immediate steps for communicating this order to MHRD for necessary compliance.

The Nodal officer and the Secretary of this Committee are further directed to inform the next date of sitting of this Committee through public advertisement in 2 (two) local dailies (one in English and one in local vernacular) for 3 (three) consecutive days.

Next sitting of this Committee will be on 29th October, 2018 for appearance of Prof. A.P. Pandey in person and also for examination of witnesses.

Sd/-
Justice T. Nandakumar Singh,
Chairperson

Sd/-
Prof. M.K. Choudhary,
Member

HL-B/4934/23-25Oct.